**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 07-08-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১ ) লোক সভানা মণিপুর গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২৫ ঙসি পাস তৌখ্রে।

২) মণিপুরদসু ঙসি নেসনেল হেন্দলুম ডে ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা পাঙথোকখি।

৩) শ্রী সাইলেস কুমার চৌরাসিয়ানা মণিপুরগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার ওইরগনি।

৪) মেট বিভাগ ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- ঙসি অমসুং হয়েং রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলা খরদা অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুরবা য়াই।

অমসুং

৫) ইলেক্সন কন্মিসন্না ঙসি উপ-রাষ্ট্রপতি মীখলগী নোতিফিকেসন থোকখ্রে।

------

পার্লিয়ামেন্ট ঃ লোক সভানা মণিপুর গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স (এমেন্দমেন্ট) বিল ২০২৫ ঙসি পাস তৌখ্রে। বিল অসিনা মণিপুর গুদস এন্দ সার্ভিসেস টেক্স এক্ট ২০১৭ মখা তানা শেমদোকবা পান্দম থল্লি।

শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না হায়- মণিপুরদা রাষ্ট্রপতি সাসন লৈবনা বিল অসিনা ওর্দিনান্সকী মহুৎ শিনখিবনি। মহাকা হায়- বিল অসি পাস তৌদ্রবদি রাজ্য অসিদা জি.এস.টি শেমদোক শেমজিন তৌদুনা চৎনহনবদা অৱাবা মায়োকরগনি। মসিনা রাজ্য অদুগী শেল থুমগী ফিভমদসু অৱাবা মায়োকরগনি। শ্রীমতি সিতারমন্না হায়- মণিপুর জি.এস.টি (এমেন্দমেন্ট) বিল অসি য়ামা মরুওইবা বিল অমনি। মসিনা জি.এস.টি কাউন্সিলনা অয়াবা পীরবা পোৎলমশিংদগী জি.এস.টি খোমগৎপা ঙমগদৌরিবনি।

রাজ্য সভানসু মণিপুর এপ্রোপ্রিয়েসন নম্বর টু বিল ২০২৫ অয়াবা পীখ্রে। কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রিনা হায়- কেন্দ্র সরকারনা লুপা কোতি লিশিং ২,৮৯৮ গী অহেনবা শেনফম রাজ্য অসিগী বজেৎতা হাপ্লগনি। মসিগী মনুংদা লুপা কোতি লিশিং ১,৬৬৭ না কেপিটেল এক্সপেন্দিচরনি। মন্ত্রিনা হায়- অহেনবা ফন্দশিং অসি রাজ্য অসি হেন্না মপুং ফানা চাওখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিং পায়খৎনগীদমক্তনি। লুপা কোতি ৫২৩ গী শেনফমনা রিহেবিলিটেসন কেম্পশিংদা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরিবা মীওইশিংগী য়াইফ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎনবনি।

হেন্দলুম (এল)ঃ রাজ্য সরকারগী দাইরেক্তোরেট ওফ হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইলসনা শিনদুনা নেসনেল হেন্দলুম ডে ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। নুমিৎ পালন অসিগী থিমদি-‘থ্রেদস ওফ ত্রেদিসন-ৱিভিং কলচর থ্রু হেন্দলুমস’ হায়বসিনি।

থৌরম অদুদা চীফ সেক্রেটরি ডাঃ পুনিত কুমার গোয়লনা হায়- রাজ্য সরকারনা হেন্দলুম অমদি হেন্দিক্রাফট সেক্তরশিংদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা রাজ্যগী শেনমিৎলোন অমসুং চাওখৎ থৌরাংদা অচৌবা থৌদাং লৌরি।

মহাকা হায়- মণিপুরগী ওইনা ঙল্লিঙৈ মতমদগী লৈরক্লবা, লিশাং শিৎনা চখুদুনা লাক্লবা  ফিশা লোনশাগী চৎনবী অমদি পুথোক্লিবা ফিজোলশিং অসি লমদম অসিগী খুন্নাই অমদি চৎন-লোনচৎকা য়ামা মরী লৈনৈ। ফিশা লোনশা

য়াওনা খুৎ-শা হৈবগী থবক তৌরিবশিংনা দিজাইন্নরশিংগা পুন্না থবক তৌমিন্নদুনা লমদম অসিগী ঙল্লিঙৈ মতমদগী লৈরক্লবা চৎন লোনচৎশিং ঙাক্তুনা অনৌবা পোত্থোকশিং পুথোকপগী তঙাইফদবা লৈ। শ্রী গোয়লনা মখা তানা হায়- রাজ্য অসিগী ওইনা হেন্দলুম অসি ফি মচেৎ অমদা খুৎ-শা হৈবগী হৈথোই শিংথোইবা উৎপা অদু নত্তে। ঙল্লিঙৈ মতমদগী শুথাং নাইনা থংথদুনা লাক্লবা মচৎকী শক্তম অদুনি। লমদম অসিদা লৈরিবা ফিশাবীশিং অমসুং খুৎ-শা হৈবশিংগী হৈথোই শিংথোইবা অমদি কৎথোকপা অদুনা মণিপুরনা নেসনেল হেন্দলুমদা চপ চাবা মফম অমা ফংবা ঙম্বনি। রাজ্য অসিগী ওইনা নুপী ফিশাবী লাখ ২ মখায়রোম লৈরি। মসিগী মথক্তা লমদম অসিগী দিজাইন মোতিফ ৭৫০ অমদি হেন্দিক্রাফট আইটেম ২৬ লৈরে।

মনিপুর-থ্রেদস ওফ হেরিটেজ, হেন্দস ওফ প্রোসপরিতি হায়বা অতেনবা ফিল্ম উৎপা, ফ্রোম লুম টু লিগেসি-ক্রাফটস স্তোরি ওফ মনিপুর কৌবা লাইরিক ফোংবা, ২০২৩-২৪ গী পদ্মশ্রী ফংলবা উখ্রুল জিলাগী নুঙবীদগী মচিহন সাসাবু ইকায় খুমবা উৎপা, ২০২৩-২৪ গী ওইনা হেন্দিক্রাফটকী ষ্টেট এৱার্ড য়েন্থোকপা অমসুং মোদরনাইজেসন ওফ হেন্দিক্রাফটস ২০২৩-২৪ গী মখাদা মশক নাইবা ক্রাফটস পার্সনশিংদা শেলগী তেংবাং য়েন্থোকপনা থৌরম অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি। ভারত সরকারগী এন.ঐচ.দি.পিগী মখাদা সেনাপতি জিলাগী লাইরৌ চীংদা এস.সি.দি.পিসু হৌদোকখি।

থৌরম অসিদা রাজ্যগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (টেক্সতাইলস, কর্ম্মস এন্দ ইন্দষ্ট্রিজ)-অনুরাগ ভাজপায়, হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইলসকী দাইরেক্তর-এলাংবম জিতেন সিংহ অমদি মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়া শরুক য়াখি।

ৱার্কশোপ(এল)ঃ দিজাইন্দ অমদি ওন্টরপ্রেন্যুয়রসিপকী মতাংদা নুমিৎ নিনিগী ওইবা পেদা গোজি অমদি ওরিয়েন্টেসন ৱার্কশোপ অমা ঙসিদগী ইম্ফালদা হৌখ্রে।

কেন্দ্রগী শিক্ষা মন্ত্রালয়গী মীৎয়েং মখাদা নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ টেকে

ালোজি (এন.আই.টি) মনিপুর অমদি ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ ইনর্ফোমেসন টেকোলোজি দিজাইন্দ এন্দ মেন্যুফেকচরিং (আই.আই.আই.টি.বি.এন্দ এম) কাঞ্চিপুরম অনিনা পুন্না শিনদুনা পাঙথোক্লিবা থৌরম অসিদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা য়ুনিভরসিতিশিংগী অখঙ অহৈ কয়ানা দিজাইন্দ অমদি ওন টরপ্রেন্যুয়রগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

ত্রেনিং (এল) ঃ লন্বীদা চান-থকবা পোৎলমশিং য়োল্লিবশিংদা ফুড সেফতি ষ্টেন্দর্দস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়াগী ফুড সেফটি গাইদ লাইনশিং নিংথিনা খঙহন্নবা অমসুং ইলহন্নবা পান্দমদা নোংমগী ওইবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসিদগী ইম্ফালগী কোনুং মমাংদা লৈবা সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা হৌখ্রে। নেসনেল এসোসিয়েসন ওফ ষ্ট্রিট বেন্দরস ওফ ইন্দিয়া অমসুং নেষ্টলে ইন্দিয়ানা মণিপুর সরকারগী হেলথ দাইরেক্তোরেটকা পুন্না শিন্দ্না পাঙথোকখিবা হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর সরকারগী হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুন্বাল বিভাগকী স্পেসিয়েল সেক্রেতরি সোমোরজিৎ শলামনা হায়- মালেমগী ওইনা হোংলক্লিবা অহোংবা কয়া অসিগী মরক্তা অনৌবা মখল কয়াগী লায়নাশিংসু লেপতনা অদুমক শন্দোরক্লি। অসিগুন্বা ফিভম অসিদা চান থকবা পোৎলমশিং তরু তনান্না অমসুং নিংথিনা শেম শাবগী তঙাইফদবা লৈ। মতমগী অহোংবা মতুংইন্না লন্বীদা য়োনবা চান থকবা পোৎলমশিং লৈদুনা চাবা থকপগী চৎনবী অমা লাক্লি। ফিভম অসিদা লন্বীদা চান থকবা পোৎলমশিং য়োল্লিবশিংনা মখোয়না শেম শারিবা পোৎলমশিং অদু তরু তনান্না অমসুং নিংথিনা শেম শাবগী তঙাইফদবা লৈ। মসিনা চাবা থকপদগী ওইহল্লকপা য়াবা লায়না তিলনা কয়াদগী ঙাকথোকপা অচৌবা মতেং ওইগনি।

ত্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ওইনা লন্বীদা চান থকবা পোৎলমশিং য়োনবা ষ্ট্রিট ফুড ভেন্দর ৬০ রোমনা শরুক য়াখি।

সিইও (এল) ঃ      শ্রী সাইলেস কুমার চৌরাসিয়াবু মণিপুর চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার ওইনা নৌনা থৌ পুনবা চীফ সেক্রেটরি প্নিত কুমার গোয়লনা চেরোল অমা থোকখ্রে। চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- শ্রী চৌরাসিয়া চীফ ইলেক্তোরেল ওফিসার ওইবগা লোয়ননা ইলেক্সন কম্মিসনারগী থৌসু পুগনি। মহাক খুদক্তগী ফম অসি পায়নবা চেরোল অসিনা হায়রি।

ৱিক (এল) ঃ      ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ক্যামগৈদা লৈবা চুরাচান্দপুর মেদিকেল কলেজগী টেম্পররি কেম্পসতা কলেজ অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ কম্মুনিতি মেদিসিন্না শিন্দুনা ৱার্ল্ড ব্রেষ্ট ফিদ্দিং ৱিক ২০২৫ গী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা কলেজ অসিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ওপসটেত্রিক্স অমসুং গাইনোকোলোজিগী সব-দিন, এসোসিয়েট প্রোফেসার ডাঃ ওক্রম সরদানা ব্রেষ্ট ফিদ্দিংগী কান্নবশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা কলেজ অসিগী ফেকলতি মেম্বরশিং, ষ্টাফশিং, এফ.এম.জি ইন্টর্নশিং, আশাশিং, অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমসুং খুঙ্গংগী থাক্কী ওইবা ফেদরেসনশিংসু শরুক য়াখি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা ক্বিজ কম্পিতিসন অমসু পাঙথোকখি। মকোক মথং তারবশিংদা মনা মথুমসু য়েন্থোকখি।

চান্দেল (এল) ঃ      চান্দেল জিলাগী লম্বুং কম্মুনিতি হোলদা জিলা অসিগী দি.এফ.ওনা শিন্দুনা রাম্প রাইজিং এন্দ এসিলেরেতিং এম.এস.এম.ই পার্ফোমেন্স স্কিমগী মখাদা মহৌশাগী ওইবা মচুশিং শিজিন্নবা হায়বা হিরমদা নুমিৎ হুমি চুপা চত্থরকখিবা ত্রেনিং প্রোগ্রাম ঙসি লোইশিনখ্রে। লোইশিনবগী থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দি.এফ.ও, ডাঃ এন. মুনাল, জাফৌ বজার বোর্দকী প্রসিদেন্ট জে.এস. আঙম অমসুং লম্বুং ভিলেজগী প্রসিদেন্ট এল.ঐচ. নোহানচিংবা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ডাঃ মুনালনা ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়াখিবশিংনা মখোয় মখোয়না তমখিবশিং অদু মখা তানা থবক ওইনা ওন্থোক্তুনা শিনফম অমা ওইনা তৌনবসু আপীল তৌখি।

এৱার্দ (এল) ঃ   দিংকু থিংনামনা দিরেক্সন পীবা শিজিন্নদ্রে হায়বা ফিলম অসি সোর্ট ফিলম কম্পিতিসন ২০২৫ গী মকোক তারে। রাজ্যগী দি.আই.পি.আরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- সে নো টু সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিক হায়বা হিরম অসিদা চাংদমখিবা সোর্ট ফিলম কম্পিতিসন অসিদা খায়োমনা অনিসুবা মনা অমসুং রুটিং ইন টাইমনা অহুমসুবা মনা ফংলে। লমজিং মঙাল অমসুং বট ইটস জষ্ট এ সিঙ্গল ৱান ফিলম অনিনা কন্সোলেসন প্রাইজকীদমক খনগৎলে।

মৈ (এল) ঃ   থার্তি থ্রি বাই এলেভেন কে.ভি মার্জিং সবষ্টেসনগী মখাদা লৈবা এলেভেন কে.ভি হৈঙাং ফিদরনা কোনবা মফমশিংদা হয়েং অয়ুক পুং ৯ দগী নুংথিল পুং ৩ মখায় ফাওবা মৈ মুৎকনি।

হর ঘর (এল)ঃ   হর ঘর তিরঙ্গা ২০২৫ কেম্পেনগী অহানবা তাঙ্কক্কী শরুক অমা ওইনা তিরঙ্গা রঙ্গোলি কম্পিতিসন অমসুং মচু অহুম শিজিন্নদুনা রাখি শাবগী কম্পিতিসন অমা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ওইনা হয়েং জিলা অসিগী রিলিফ কেম্প ১০ দা পাঙথোক্কদৌরি। কম্পিতিসন অসি সোসিয়েল ৱেলফ্যার দিপার্টমেন্ট, ইজ্‌কেসন (এস) অমসুং দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ইষ্টনা পুন্না শিনবনি।

এআর (এল) ঃ   অসাম রাইফলসনা নোনে জিলাগী লোংমাই পার্ট ফোরদা লিন্না চীকপা নুপী অমা কনখ্রে। লিন্না চিক্লবা নুপী অদু অসাম রাইফলসকী নোনে বত্তাল্লিয়নগী হেদক্বাটরগী হোস্পিতাল থুনা য়াংনা পুরক্তুনা কনবা ঙমখিবনি হায়রি। অসাম রাইফলসকী চেরোল অমনা হায়- মনুং হুঞ্জিনবা মীওইশিংদা অসাম রাইফলসনা লেপ্পা লৈতনা তেংবাং পীবগী থবক চত্থরি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা তেংনৌপল জিলাগী মোরেদা লৈবা

চবংফাইদা মফম অদুগী নহাশিংগা উন্নদুনা ৱাফম কয়া খন্নখি। মখোয় মখোয়গী ওইবা তুংগী পুন্সিদা অচুম্বা লম্বীদা পুদুনা মপুং ফাবা মী অমা ওইননবা পাউতাকসু পীখি।

ৱেদর ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি-ঙসি অমসুং হয়েং য়াওনা থা অসিগী ১০ ফাওবদা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলা খরদা অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুরবা য়াই।

সেন্তর অসিগী রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না ঙসি অমসুং হয়েং তমেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপী, উখ্রুল, কামজোং, তেংনৌপল অমসুং চান্দেল জিলাশিংদা অখাক অরাউ য়াওনা অকনবা নোং চুগনি হায়না য়েল্লো এলার্ট লাউথোকখ্রে। থা অসিগী ১০ ফাওবদা কামজোং, তেংনৌপল অমসুং চান্দেল জিলাগী মফমশিংদা অকনবা নোং চুগনি।

অমরোমদা, ইন্দিয়া মেট দিপার্টমেন্টনা হায়- লাক্লিবা নুমিৎ তরেৎনি অসিদা অৱাং নোংপোক লমদম অমসুং থংনবা নোংপোক ভারতকী শরুকশিংদা নোং কন্না চুরবা য়াই।

মরক অসিদা, হয়েং অরুনাচল প্রদেসকী মচি মচিদা কা হেন্না কন্না নোং চুবা য়াবগী ওইথোকপা লৈবনা রেট এলার্ট লাউথোকখ্রে। মেট দিপার্টমেন্টনা হায়-উত্তরাখন্দ অমসুং উত্তর প্রদেসতা ঙসি অকনবদগীনা য়ামা কনবা ফাওবগী চাংদা নোং চুগনি। উত্তরাখন্দ অমসুং হিমাচল প্রদেসতা থা অসিগী ১২ ফাওবা মচি মচিদা অকনবা নোং চুগনি। করনাতক, বিহার অমসুং ঝরখন্দদসু অকনবা নোং চুরবা য়াই।

ৱেদর এজেন্সি অসিনা হায়-তামিল নাদু, কেরলা, মহে, অন্দ্র প্রদেসকী সমুদ্র খোঙবান পরিং, তেলঙ্গানা অমসুং রায়ল সিমাদা থাংজ নুমিৎ ফাওবা মচি মচিদা অকনবা নোং চুগনি। ঙা ফাবা মীওইশিং কেরলা, করনাতক, লক্সদ্বিপ, মহারাস্ত্রা অমসুং গৱাগী অরাব সাগরদা থা অসিগী ১১ ফাওবা ঙা ফাবা চৎতনবা খঙহনখ্রে।

মীখল ঃ ইলেক্সন কম্মিসন্না ঙসি উপ-রাষ্ট্রপতি মীখলগী নোতিফিকেসন থোকখ্রে। থা অসিগী ২১ ফাওবা মীরেপচে পীশিনবা য়াগনি। মথংগী নুমিৎতা স্ক্রুতিনি পাঙথোক্কনি। ওগষ্ট ২৫ দা মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎনি। সেপ্তেম্বর ৯ দা মীখল পাঙথোক্কনি। ভোৎ মশিং নুমিৎসদা থীগনি।

মমাং থাদা শ্রী জগদিপ ধনখরনা উপ-রাষ্ট্রপতিগী ফম থাদোকখিবদগী মীখল অসি তঙাইফদনা পাঙথোক্কদবনি। হন্দক্কী অসিনা ১৭ শুবা উপ-রাষ্ট্রপতিগী মীখল ওইরগনি। উপ-রাষ্ট্রপতি অসি লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাগী সদস্যশিং য়াওবা ইলেক্তোরেল কলেজ অমনা খনগদবনি।

ইদি ঃ লুপা কোতি ৭৫০ গী জি.এস.টি স্কামগা মরী লৈননা এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেট (ই.দি)না ঙসি রাঞ্চি, কোলকাতা অমসুং মুম্বাইগী মফম ৮ দা থি হুম্বগী থবক চখুরি। থি হুম্বগী অনিসুবা শরুক ওইনা শিবকুমার দেওরা অমসুং মসিগী গ্রুপকী মফম কয়াদা থিরি। রাঞ্চিদা ই.দিনা পি.পি. কম্পাউন্দদা লৈবা কৃষ্ণ এপার্টমেন্টকী ফ্লেট অমা য়াওনা মফম ৬ তা থি হুম্বগী থবক চখুখি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

দুরান্দ কপ ঃ ১৩৪ শুবা ওইল ইন্দিয়া দুরান্দ কপকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ (এফ)কী ইম্ফাল খুমন লম্পাক মেইন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা নেরোকা এফ.সি অমসুং ইন্দিয়া নেভি ফুটবোল টিম পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখ্রে।

ইন্দিয়ান নেভি ফুটবোল টিমনা মেটচ অনিদা পোইন্ট ৪ ফংদুনা গ্রুপ-এফকী মকোক্তা লৈরি।

থা অসিগী ১০ দা নেরোকা এফ.সি অমসুং রিএল কাশ্মীর এফ.সিনা লম্বা থেংনগনি। থা অসিগী ১২ দনা ত্রাউ এফ.সি অমসুং ইন্দিয়ান নেভি ফুটবোল

টিম লম্বা থেংনগনি।

ককচিং (এল) ঃ   ককচিং দিষ্ট্রিক্ট ওলিম্পিক এসোসিয়েসনগী অহুম্লক শুবা ফাউন্দেসন ডেগী থৌরম ঙসি ককচিং জিলাগী মনুং চন্না লৈবা ৱাবগাই অৰাং লৈকাই কম্ম্যনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা ককচিং জিলাগী এ.দি.এম পাঙম্বম শান্তিকুমার, এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম ধর্ম্মদাস, ককচিং জিলা পরিষদ এদমিনিষ্ট্রেতিভ কমিতিগী চেয়ারপাসর্ন এলাংবম শুরেন্দ্রজিৎনচিংবা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা মশান্না কয়াদা অন্তরজাতি, জাতি অমসুং জিলাগী থাক্তা মনা ফংলবা শান্নরোইশিং, কোচশিং অমদি রেফ্রি য়াওনা পুন্না স্পোর্টস পার্সন ৮৫ রোমদা খুদোলপোৎ পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

গেমস ঃ   ৱার্ল্ড গেমস ২০২৫ ঙসিদগী চাইনাগী চেংদুদা হৌখ্রে। থা অসিগী ১৭ ফাওবা চথুগদৌরিবা গেমস অসিদা ভারতকী শান্নরোই ১৭ না শরুক য়ারি। ইং ১৯৮৫ দগী হৌদুনা চহি মরি মরি কান্নরগা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবা ৱার্ল্ড গেমস অসিগী হন্দক চহিগী ওইনা তোঙান তোঙানবা মশান্না ৬০ দা অথোই অহেন তান্নগনি। ভারতকী ওইনা আরচরি, বিল্লিয়ার্দ, রোল্লর স্কেতিং, ৱুসু অমসুং রেক্যুট বোল মশান্নশিংদা শরুক য়াগনি।

------